# মণিপুরগী থাজনবী অমসুং লৈশেমলোন মিথতা ঙাপ্রুম

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*ঙাপ্রুম অমা শ্রিৎ/তিল্লখৎ অমা শ্রিৎ/*কাংগম চাউরকপা মতম - খুল্লোকপী, মার্বল, চৈতেক কোৎপী, উরাউবী, কবাদ্দি, বোল থোম্বী, শগোল তোংবী, ৱা কনবী, শেক দম, অথালি, ৱা হায়বী, মি নেৎপী, নারোৎপী, শেবোতি কাওনবী, কৈথেল কাবীনচিংবা মৈ হৌখৈ শান্নরিঙৈ মতমদা নোংমদা মশীং মপান নাইদখৈ ৱাহৈ পরেং অনীনি। মরু ওইনা খুল্লোকপী অমদি মার্বল শান্নবদা য়াওরিবা অতোপ্পশিংদুনা শান্নবা মতমদা মখোয়গী দাউ হাৎনবা পান্বেনিকা হায়দুনা তৌনরিবনি। খুদোম্বীনা লৈমায়দা হঙ্গৎ হন্দা নাল্লগা চিন্দা মুরুম মুরুম শোনবনি। য়াংতক লাংতকপা নত্তে, খুদোম্বীসে লৈজবী থাদুনা লৈবাক্তা নমশিনবজাৎনি। মখোয়না মরু য়াম্না চাখিদনবনি। করি মরমগীনো হায়বদি খঙদে, দাউ য়াদবগী খুদম চাংদমদা ঙাপ্রুম হায়রিবা জিব অসি হেক হেক পন্নে। শোয়ররোই খল্লম্বা করিগুম্বা থবক অমা তৌবদা মায় পাক্তবা নৎত্রগা নীংজরুবগী ওন্ন-তৈনবদা পান্দম অমা ফংবা ঙমদবা মতাংদা শীজিন্নবা ৱাফমনি - ***ঙাপ্রুম মমৈ খুজিন্না শিকপগা চপ মান্নরে।*** আ মখুন্দা লৈবা ঙাপ্রুম ফাবদা থেংনবা অরুবা ফীভম অদুসু তাকই।

ঙাপ্রুমগা মরী লৈনবা ৱারী অমা লৈ। ইমুং মনুং থোকই হায়রবসু য়ারবা ইচে অমা মশানা ইজবা লাইরিক অমা ফোঙগদৌরি, বনান্নচিংবা অমুক্তা য়েংবীয়ু হায়দুনতা লৈ। ঐনসু হোয় হায়না অদুম্মক খুম্মী। নোংমা ফূৎ ফাওজিল্লকই। মাগীদু প্রেসতা থাজিন্দ্রিঙৈ খূৎই ওইনা লৈরিঙৈদনি। অসুম পারকপদা মাগীদু ৱারেংসু মাল্লি, লাইরোন তিল্লোনসু খরা য়াওই। ***ঈশিংগী তারজান*** হায়বা ৱাহৈসি করি ওইরিজাৎনো খনবদা ঐ ঙাওবজাৎনি। লৌশিনফম শুংখঙ খঙলমদে। মাগীদু পাবা লোইরে হায়না পাউ হায়খ্রে। মা লাকপদা ঈশিংগী তারজান করিনো হংখি। ইশি শিখৈ নোক্লগা ইরায় লায়না খুমদোরকখি - ***অদু ফাওবা খঙদবা? ঙাপ্রুমনিনে ঙাপ্রুম।*** ঐনা নোক্লগা মঙোন্দা য়েংলগা লৈখি। ঙাপ্রুম চাবা তৌহৈদে মাংই হায়দুনা অয়াম্বনা চানদে। করি মরমগীনো হায়বদু অহল লমনশিংদা নোংমতসু হংখিদে। অঙাং ওইরিঙৈদা চারম্মী। অশি হৈবোং মনানা মকু খোক্তোক্লগা ঙৌথোং ওইনা নৎত্রগা মৈদা লৌথোক্লগা মেৎলগা চাবনি। অঙাং নাউশোন্নবা নাগনবশিংদা ঙাপ্রুম গুলি শেল্লগা পীজনৈ। কমদৌননো খঙদে, হেক চারুবগা মঙথী হাথীবা, মঙলাক্লবা, নম্বনচিংবা হেক্তমক তৌরকখি। অমুক্তংগী ৱা নত্তবীদা অহুম মরিরক তৌশিল্লক্লবদুদি অদুম চাখিদ্রে। চাদবখক্তমক নত্তনা মা হেক উবগা তু-মান খ্যাও-খ্যাও হেক্তা চুংই, য়েংবফাওবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে। অহল লমন্না তাকপীবা মতুংইন্না ঙাপ্রুম অসি ইমুংদা পুশিনবা তৌহৈদে মাংই থাজনৈ। কনাগুম্বনা পুশিনবা য়াওরবসু লাইনিংথৌ সনামহী থম্বা কা লাল্লগা নৎত্রগা কাদুমক্তদি পুশিন্নদে। করি মরমগীদমক থাজবী অসি লৈরিবনো হায়না মতম অমদা খনবদি হায়ফেৎ খনখি। অদুবু থওইনা খঙনবদি হোৎনখিদে। মতমদুদা খঙখিবসি ঙাপ্রুম হায়বসি ইমুংদা পুশিনবা য়াদবা অমাংবা জিব অমনি হায়বসিনি। অহল ওইরবশিংদি অয়াম্বনসু চানদে।



তাইবঙপান্দা লৈরিবা মী, শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, তীন-কাঙ, উপাল-ৱাপালনচিংবা অচৎ-চত্ত, লেংলি-পাল্লিবা পূম্নমক্কী অফ-ফত্ত অনীমক লৈ। মতৌ অসুম্না দাউ হাওদৎপা অমদি অমাংবা শোক্ল-শম্নবা য়াদবা, ইমুংদা পুশিনবা তৌহৈদবগা লোয়ননা অফবা হীরমদা ইচন চন্নবীদবা ঙাপ্রুম অসি তরাই তরাইনা লৌবা য়ারমদ্রে। মণিপুরগী লাই-তীল থাজ ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা লৈশেম্লোন্দা থেঙ্গু, মকু, কোবীনচিংবগুম্না ঙাপ্রুমসু মরু ওইবা ফিদা কন্দুনা লৈরিবনি। গুরুগী য়াথং মতুংইন্না অশিবনা মালম লৈশেম্ববু নুংশিংকী মশক ওইবা হারাবনা হন্না হন্না হুমদোক্তুনা চাইখাইরবদা লৈবাক অদু লৈচিন ওনখ্রে। অশিবদি তৌফম খঙদনা নুংবংননা লৈরম্মী। অদুবু অতিয়া শিদবগা ৱাতান্নদুনা ঈশিং তরঙ মথক্তা তাউরিবা অমদি মনুংদা লৈবা খুদিংমক খোমজিল্লগা লৈশেম্বগী থবক অদু অমুক হন্না মখা চত্থরম্মী। মতম অদুদা অশিবনা মহাক্কী খুয়াগী নুরা তকথোক্তুনা ঙাপ্রুম পুথোক্লম্মী। মমিংদি হুঁঙারেল হায়না কৌরম্মী। অতিয়া শিদবনা ঙাপ্রুম অদুগী মথক্তা তোংলগা গুরুগী মনাক্তা থুংখিরম্মী। হারাবনা মালেম লৈশেম্বদা অকায়-অতোয় পীরে হায়না পাউদম্লবদা গুরুনা লৈবাক পীরক্তুনা অমুক হন্না লৈশেমখি। মতৌ অসুম্না অশিবগী হকচাংদগী খাইদোকখিবগা লোয়ননা লাইগী শদোং ওইখিবা গুরুগী মনাক য়ৌরুরবা মতিক ময়াই লৈবা ঙাপ্রুমনি। শমজিন্না হায়রবদা মালেম লৈশেমলোন্দগী তোঙান্না খাইদোক্তুনা থম্বা য়াররোইদবনি।

ককচীং হরাউবগী তোপ তোপ্পা মশক খরা লৈজৈ। মদুগী মনুংদা লাইরোই নুমিত্তা পাঙথোকপা ***ঙাপ্রুম তানবা*** হায়বা থৌরম অসি পনবা য়াই। থৌরম অয়াম্বা পাঙথোকপা লোইখ্রবা মতুংদা অথেংবা অহিংদা থেল্লোন ঈশৈ অমদি জগোয়গা লোয়ননা পাঙথোকই। থৱায় মঙা, মি অমদি পোংগা লোয়ননা তরেৎ অসিবু কৌশিন্দুনা কোনশিনবগী থৌরমনি। থৱায় মি পীবগী শক্তম লাংবা নুপা অমনা ইন্নফী মনুংদা মী উহন্দনা ঙাপ্রুমগী মহুৎ শিনবা চৈ মকক তরেৎ পায়রগা চোং চোংদুনা চৎলি। চৈ অদু খোয়দৌদগী শৎপগী মওং উৎলগা লাইবুং অকোয়বদা মথং মথং থল্লগা লাইমাঙদা লোইশিল্লি। মহাক্লা থম্বা চৈশিং অদু তেন কাপ্পগী শক্তম লাংবা নুপা অমগী মখূত্তা পায়রিবা লীরুং তেনগী মহুৎ শিনবা চৈ অনীনা কাপ্পগী মওং উৎপা জগোয় শাই। মহাক্লা চথোকখিবগা অতোপ্পা নুপা অমনা জগোয় শানা শানা চঙলক্লগা ঙাপ্রুমগী মহুৎ শিনবা চৈ তরেৎ অদু নীংথিজনা লৌখৎলগা নুপা অনীনা পায়রিবা ফিখাওদা মথং মথং হাপচিল্লি। থৱায় মি পোংগী মশক ওইবা ঙাপ্রুমগী মহুৎ শিনবা চৈ তরেৎ অদু ফিখাওদা হাপচিন্দুনা কোনশিল্লগা লাইশোন শোন্দুনা লাইনিংথৌ লাইরেম্বীদা কৎলগা খুরুমজৈ। মতৌ অসুম্না তেংবান মপুনা মালেম লৈশেম্বদা তাইবঙ জিবশিংবু হিংহন্নবগী মতিক ময়াই ওইরিবা মাঙফদ্রবা থৱায় মি পীবিরকই। ঙাপ্রুম্বু থৱায় মিগী সিম্বোল ওইনা থম্বীরম্বা অসিবু তরাই তরাইনা লৌবা চুল্লোই। মহাক্কী মতিক অরুবসি খঙলবা ইপা ইপুশিংনা ঙাপ্রুম্বু অমাঙ অতা থোকহন্দনবা চাবা তৌহৈদে হায়না অথিংবা থল্লম্বসু য়াই। অমাং অশেংগী চৎনরোল লাক্লবা মতুংদা মাংই হায়বা থাজনবী অসি পুশিল্লকখিব্রা? ওইনীংবা ওইজসনু মণিপুরগী লাইনীং লাইচত্তা ঙাপ্রুমগী মফম অমা কন্দুনা লৈরম্লে। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### থীএটর ট্রেনিং

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাওন্সিল অমদি থীএটর মিরর অনীনা শীন্দুনা পাঙথোকপা থীএটর ট্রেনিং ওন মোইরাং পর্ব্ব ট্রেদিসন ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাওন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেনদা হৌদোকখ্রে। হৌখিবা চহীশিংদা ট্রেনী ৫০ দগী ৭০ ফাওবা শরুক য়াদুনা থা অমা চুপ্পা চত্থরম্বা ২৭শুবা ৱর্কশোপ অসি কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইদুনা ট্রেনী ২০ খক্লা শরুক য়াদুনা নুমিৎ ১৫ নিখক পাঙথোক্কদৌরি। ৱর্কশোপ অদু হৌদোকপগী অচম্বা থৌরমদা প্রোজেক্ট দিরেক্টর, পদ্মশ্রী নব ৱারেপ্পা, কেম্প দিরেক্টর, সঙ্গীত নাতক একাদেমি এৱার্দী এসঐচ হেমন্ত অমদি এম পুর্ণিমাশি লৈমনা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

### অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): মশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা লৈবাক মীয়ামগীদমক কথোক্তুনা লাকখিবা ঐখোয়গী নুংশিজরবা মপি কাওন্সিলগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা নোংথোম্বম বিমোলনা মালেমগী লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা জে সী আই এল পি এসনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি। বিমোলগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ঈংনা-চিক্লা লৈবা ওইরসনু। মহাক্লা চীং-তম নুংশি-চান্ননবা লমদমসিগী শোখরবা ফুরুপ্পু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরম্বা কয়াদি মেনশিনবা ঙমদনা লৈহৌরগনি হায়নসু জে সী আই এল পি এসকী কো-কনভিনর এন্দ পব্লিসিটি কেঐচ চীংখৈনা থোকপা চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

### ইনরোলমেন্টকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): বি জে পি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা খুরাই মন্দলগী বি জে পিগী মাস মেম্বরশিপ ইনরোলমেন্টকী থৌরম বি জে পি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ভি পি হাওবিজম সুভাশকী কোংপাল কোংখাম লৈকায়দা লৈবা য়ূমদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা বি জে পি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট এল কামনি, বি জে পি মহিলা মোর্চা ইম্ফাল ইষ্টকী প্রসিদেন্ট কে ইনাওচানচিংবা শরুক য়াখি। খুরাই এ সীদগী বি জে পিদা নৌনা য়াওরক্লবা মীওই ৫২০০গী মেনশিল্লবা ফোর্ম দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্টতা খূৎশিন্নখি।

থৌরমগা মরী লৈননা ঐচ সুভাশনা ফোঙদোকখিবদা, মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনদতা বি জে পিনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংনবা বি জে পি ইম্ফাল ইষ্টনা পোরম য়াৎলকপদা খুরাই এ সীগী ওইনা মন্দল মথৌ নীংথিনা তৌদবা প্রাইমারি অমদি ইগজেক্যুটিভ মেম্বর ওইবগী চাঙ য়াম্না নেল্লম্বদগী দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্টকা তান্নরগা মাস ইনরোলমেন্টগী থৌরম অসি শীনবনি। লোয়ননা এ সী অসিদা বি জে পিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা পার্টি অসিদা থল্লিবা মীয়ামগী থাজবা মাঙহন্দনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি হায়খি।

## চরাংপাৎতা কোইলাস থাদবা লম্বী থম্লোই: মেঘচন্দ্র

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস): ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা চরাংপাৎতা কোইলাস থাদবা লম্বী লৈহল্লরোই হায়না এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী এম এল এ মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি য়ুথ ওফ চরাংপাৎ মমাঙ খুন্দোন লৈরক্লা শীন্দুনা ঙসি চরাংপাৎ মমাঙ খুন্দোন লম্পাক্তা উ চারা কয়া থাজিনবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াদুনা এম এল এ মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবনি।



মহাক্লা হায়, চরাংপাৎ খুঙ্গং অসি হীরম খুদিংদা অৱাৎপা লৈতবা খুঙ্গং অমা ওইনা শেমগৎনবা পান্দম থল্লি। খুন অসিদা লৈরিবা ৱাটর সপ্লায় স্কিম অহুম অসি মতমগা চুনবা মওংদা কন্না শেমগৎলি। স্কিম অনীগীদি ওভরহেদ টেঙ্ক হাপ্পবসু থৌরাং লৈরে। মসিগী মথক্তা ঈশিংগী অৱাবা লৈরিবা অসিসু কোক্লবা রোং তুরেল তৌথোক্লগা দাম শেল্লগা চহী চুপ্পা ঈশিং ফংনবা মওংদা শেম্বগী পান্দম থল্লি। মসিনা থক্লবা ঈশিংখক্তা নত্তনা লৌউ-শিংউদসু খুদোংচাহল্লগনি।

খুল অসিদা শান্নবুং মরাং কায়না লৈ। মরম অসিনা ঙসি উ থাজিল্লিবা লম্পাক অসিদা হৈ-লৈ থাজিন্দুনা, অঙাংশিংগী শান্নফম হাপচিন্দুনা অমদি অহলশিংনা ঙাইহাক অৱা-পোত্থাফম ওইনবা ফম্ফম হাপচিন্দুনা মিনি পার্ক অমা ওইনা শেমগৎনিংবগী অপাম্বা লৈ। মসি লমদম অসিগী মীয়াম্না য়াবীরবদি থবক্তা ওন্থোক্লবা শেম-শারে। লোয়ননা মফম অসিদা ভেটেরিনরি ওফিস অমসু থম্নবা থৌরাং লৈরে।

খুন অসি এদ্যুকেসন সেক্টরদা লম্বী-থোঙদা অনা-লায়েংগী লম্‌দা অমদি হীরম খূদিংদা ৱাত্তবা খুঙ্গং অমা ওইহন্নবা মওংদা শেমগৎনবা থৌরাং লৈরে। মসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্নসু শৌগৎপীয়ু হায়না এম এল এনা মীয়ামদা আপীল তৌখি।

ঙসিগী উ চারা থাজিনবগা মরী লৈনবা থৌরম অদুদা চরাংপাৎ জিল্লা পরিষদকী মেম্বর পিঐচ হেরামনি, চরাংপাৎ জি পিগী প্রধাণ এস ইমো, জি পি অসিগী ৱার্দ মেম্বর এস জয়চান্দ, এন অচৌবা অমদি সোসল ৱর্কর কেঐচ প্রেমনাথনা মথংশীৎনা থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

### নীংতম নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস): ইন্দিয়ানা বৃটিশকী মখূত্তগী নীংখা তম্বা ফংখিবা ৭৫শুবা কুমওন থৌরম ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎ ওগষ্ট ১৫দা ককচিংদসু ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি ককচিং (বি সী সী কে)না শীন্দুনা বি সী সী কেগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎপনা নুমিৎ অসিগী মরু ওইবা থৌরম ওইখি। ফিরাল চিংখৎপগা ইন্দিয়াগী নেসনল এন্থেম শক্তুনা ইকায় খুম্নবসু উৎখি। এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিগীসু প্রসিদেন্ট ঈ মংলেম, বি সী সী কেগী প্রসিদেন্ট কেএসঐচ ইবোহল, সোসল ৱর্কর/লীদর ৱাই নিলচন্দ্র, ককচিং ম্যুনিসিপালিটি এক্স চ্যেরপর্সনশিং ৱাই রাজেন্দ্র, এম ইনাখুনবী, মেম্বরং এন কোবিতনচিংবা মরু ওইবা মেম্বরশিং অমদি মহিলা মন্দলগী থৌপুবশিংসু থৌরম অসিদা শরুক য়াখি।

অচম্বা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট, ব্লোক প্রসিদেন্ট, সোসল ৱর্কর ৱাই নিলচন্দ্রনা ইন্দিয়ানা বৃটিশকী মখূৎত্তগী নীংতম্বা পুরক্লবা হোৎনবদা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর মীয়াম্না লৌখিবা থৌদাং, ফাদর ওফ নেসন মহাত্মা গান্ধী, সর্দার পতেল, নেহরুনচিংবা লীদরশিংনা লৌখিবা থৌদাং নীংশিংদুনা ৱারোল কয়াসু থম্নখি।

### টি এম দব্লিয়ু এনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস): তুলিহল ময়ায় লৈকায় ৱেলফ্যের এসোসিএসন (টি এম দব্লিয়ু এ) য়াইরিপোক তুলিহলনা কোভিদ-১৯গী ২শুবা শাফূগী চৈথেং ফংলিবা ক্লবসিনা কোনবা য়ূমথোঙ ৩৯০ দা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখ্রে।

তেংবাঙ পোৎলম য়েন্থোকপা অদুগা মরী লৈননা অচম্বা থৌরমদা তুলিহল জেদ পিগী মেম্বর কে ইনাওচা দেবী, তুলিহল গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধাণ কেঐচ খালিক, অংথা গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধাণ টি মনিহল, য়াইরিপোক ও সী এমদি রিয়াজ শাহ, সোসল ৱর্কর কলামনচিংবা মীওই কয়ানা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা টি এম দব্লিয়ু এ ক্লবকী ৱর্কিং প্রসিদেন্ট এমদি লিয়াকত আলি এলাইজ তোমালনা হায়, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মীচম মীয়ামশিং খম থেংনা ৱানরে। মরম অসিনা ক্লব অসিনা কোনবা য়ূমথোঙশিংগী অৱাবা খরদা ওইরবসু কোহনবা ঙম্নবা পান্দমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসি তেংবাঙ ওইনা পীজবনি। ঙসিগী তেংবাঙ পোৎলমশিং অসি ঙসিগী থৌরম অসিদা প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইরিবশিং অমদি ক্লবকী লৈজবা ফন্দ খরা শীজিন্নরগা পীজবনি হায়খি।

### 'চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা হোম দিপার্টমেন্টকী ইফেক্টিভনেস অমত্তা লৈবা উদ্রে'

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ নাগা কাওন্সিল (য়ু এন সী)না ওগষ্ট ১৪দা নাগা ইন্দিপেন্দেন্স ডেনি হায়না পাঙথোকপা থৌরমদা চান্দেলদা মণিপুর পুলিসকা মুক্লখিবা পুলিস মমাঙদা পুলিস বূথ মৈ থাবা, নাগাগী মীয়াম্না পুলিসতা খূৎ থাবা হায়বসি হোম দিপার্টমেন্টকী অমদি পুলিসকী মোরেল য়াম্না শোকপা থবক্লি। মসি য়াম্না লাইবক থিবনি। মসিনা তাকপদি মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা হোম দিপার্টমেন্টকী ইফেক্টিভনেস অমত্তা লৈবা উদ্রে হায়বনি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ৱাংখেম এ সীগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি চরাংপাৎতা পাঙথোকপা থৌরম অমা য়াওবা লাকপদা মহাক্লা পাউমীশিংদা হায়খিবদা, চীংগী এরিয়াশিংদা হোম দিপার্টমেন্টকী ইফেক্টিভনেস অমত্তা লৈবা উদ্রে। পুলিসশিংগী মমাঙমক্তদা পুলিসকী পোৎ-চৈ মৈ থাবদা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থিবনি। চীংগী এরিয়াশিংদা ষ্টেট ফোর্সশিং মথৌ ফজনা তৌরি হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্লদি মতম অয়াম্বদা লাউবা অদুগা তোঙান তোঙানবা অন্দরগ্রাওন্দ এক্টিভিটিজ ময়াম অমা লোগী মায়োক্তা চত্থরকপদা করিমত্তা ঙমদবা অসি চীংগী এরিয়াশিং অসিদা সিকুরিটি কোভরেজ লৈতবনি হায়না লৌই।

পুলিসকী মমাঙদা পুলিস লৈনা লৈনা মখেয়গী বূথ মৈ থাদোক্লিবা অসিনা তাকপদি ঐখোয়গী লাইফলাইন ওইরিবা নেসনল হায়ৱেশিংদা প্রোটেক্সন ফোর্স থম্বীয়ু অমদি লম্বীদা লোগী ৱাংমদা টেক্স ময়াম অমা লৌরি হায়দুনা মীদিয়াদা হাপখিবা ময়ামদু অশেংবা ওইরে। পুলিসকী মমাঙদা মৈ থাদোকপা ঙম্লিবা অসিনা তাকপদি সিক্যুরিটিসু অমত্তা লৈতবা হায়ৱেগী মাও গেটতা, নোনেদা অচৌ অচৌবা শেনফমশিং লৌরি হায়বসি অশেংবা ওইরগনি হায়বসি চান্দেলগী থৌদোকসিনা তাক্লে। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা সিক্যুরিটিগী অহোবা লৈরিবা ময়াম অসি মণিপুর লৈঙাক্লা লৈহল্লোইদবনি। মীয়াম্বু ঙাক শেন্নবগীদমক চীংদা তঙায়ফদবা থবকশিং লৌখৎকদবনি হায়খি।

হৌজিক হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেলগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্লা মখা হায়খি, বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসননা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎকদবনি অদুবু মণিপুরদদি মসি ঙাক্তবা থেংনৈ।

### ১১৩শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফনা উ থাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): অজাদিকা অমৃত মহোতসবকা মরী লৈননা ১১৩শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফ সী আই পীছ গ্রাওন্দগা চুড়াচান্দপুর ফোরেষ্ট দিভিজনগা পূন্না খূৎশম্নদুনা পীছ গ্রাওন্দ তুইবোংদা পাক-শন্না উ থাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু ১১৩শুবা বট্টালিয়নগী কমান্দেন্টে হিদম ইবোল সিংহগী মীৎয়েং মখাদা চুড়াচান্দপুর ফোরেষ্ট দিভিজনগী ওফিসলশিং য়াওনা পাঙথোকখিবনি। মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থম্নবা অমদি অকোয়বগী শক্তম ঙাক-শেনবদা লৌগদবা থৌদাংগী ৱাশক লৌমিন্নখি হায়না সরৱান দাস, দেপ্যুটি কমান্দেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

### লম্লাই এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা ইমুংশিংদা কেঐচ ইবোমচানা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস): বি জে পি মণিপুরগী ষ্টেট মেম্বর অমদি কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাস্ক ফোর্স বি জে পি লম্লাই মন্দলগী চ্যেরমেন কেঐচ ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা লম্লাই এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা লৈরিবা ইমুংশিংদা মতেং পাংখ্রে। সেক্তা অৱাং লৈকায়দা মীওই অমা পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ৫, পুদোংবমদা মীওই ১ পোজিটিভ ওইবগী কন্টেনমেন্টদা লৈরিবা ৫, য়ৌরবুংদা মীওই ১ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোন এরিয়াদা লৈরিবা ইমুং ১, লম্লাইদা মীওই ৬ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ২, শওম্বুংদা মীওই ১ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা ইমুং ১, শওম্বুং কবুই খুঞ্জাওদা মীওই ২ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা ইমুং ১, নোংদমদা মীওই ১১০ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা ইমুং ২১৭তা তেংবাঙ পোৎলমশিং পীখ্রে। তেংবাঙ পোৎলমশিং অদুদা হৱাই, থাও, আলু, থুম, তিলহৌ, চিনিনচিংবা য়াওখি।

থৌরম অদুদা লম্লাই কেন্দ্র কোভিদ এৱ্যেরনেস এন্দ ইনফোর্সমেন্ট কম্মিটিগী চ্যেরপর্সন অমদি তেলৌ চানা শৈজাংগী জেদ পি মেম্বর এ জামিনি, নোঙ্গ্রেন চীংনুংকোক জি পিগী প্রধাণ এম বিলাশিনি অমদি পুংদোংবম জি পিগী হান্নগী প্রধাণ আই প্রেম শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা কেঐচ ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক কোভিদকী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা লৈঙাক্লা লাউথোক্লিবা কর্ফিয়ু মপূং ফানা চত্থরিবা অসিনা নোংমগী চারা তাঞ্জরিবশিংদি হেন্না অৱাবা থেংনৈ। কর্ফিয়ু নুমিৎ ১০ নিগী চান-থক্লবা পৈশিন্দুনা থম্বা ঙম্নদবগী অৱাবা লৈরিঙৈ ইমুং মনুংদা পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোরকপদগী হেন্না অৱাবা হাপকৎপনা তঙায় ফদনা এস ও পি ঙাক্লা অঙম্বা তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকপনি। মীয়াম্না এস ও পি ঙাক্ত্রবা, ভেক্সিন মতম চানা কাপথোক্তনা কুইনা লৈরিবমখৈ হৌজিক থেংনরিবা অৱাবসি মখা তানা থেংনদুনা লৈগদবনা কোভিদ টেষ্ট তৌথোক্তুনা পোজিটিভ ওইদে খঙদোকপগা লোয়ননা মতম চানা ভেক্সিন কাপথোকসি, এস ও পি ঙাকমিন্নসি হায়খি।

### এৱার্দ পীরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস): ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইকায় খুম্নজরিবা মণিপুরগী এ দি জি পি খৃষ্টোফর দোঙ্গল (আই পি এস)দা লেমজ নিংঙাই ওইরবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা পীবা গেলেন্টরি এৱার্দ লাউথোকপদা ষ্টেট অসিদগী পুলিস ওফিসর অসি খল্লকপদা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি হায়না ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন, সেন্ট্রেল কম্মিটিনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নীংশিংবা য়াই, খৃষ্টোফর দোঙ্গল (আই পি এস), এ দি জি পি মণিপুর অসি হৌখিবা চহী ২০১৫/১৬দগী মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈরিবা ভি দি এফ ১০,০৫০গী নোদল ওফিসর ওইনা হাপ্পীদুনা ভি দি এফশিংগী অৱাৎ-অপা অমসুং য়াইফনবা লম্বী কয়া অচান-মীরাই নাইদনা শীনবিরিবা মথৌ তাবা মতমদা হেক্তমক ইকোয় কোয়দনা ৱেলফ্যেরগী থবক থৌরম কয়াদা গাইদ পীবিরিবা লমদমসিগী তাঙলবা সিনিয়র পুলিস ওফিসরশিংগী মনুংদা অমনি।

লোয়ননা ভি দি এফশিংগীদমক্তসু থৱানমিচাক্লুম ঙাল্লিবা ওফিসরনি। মহাকপু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লেমজ নিংঙাই ওইরবা এৱার্দ অসি পীরকপনা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ভি দি এফশিংদা নত্তনা অতোনবা-অশোনবা জাৎ-বিজাৎ খায়দবা মচি-ময়া থুংনা থবক থৌরম কয়া তৌবীরি হায়বা তাকপনি। মরম অদুনা ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন সেন্ট্রেল কম্মিটিনা মণিপুর লৈঙাক অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাকপু থোইদোক-হেন্দোক্লা থাগৎচবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা লমদমসিদগী পুলিস পর্সনল ১১বুসু থাগৎপা অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

লোয়ননা পুলিস পর্সনলশিং অসিগী তুংগী পুন্সিদসু থোইদোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা লমদমসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্বা ওইহনবীসনু হায়না এসোসিএসন অসিনা থম্মোয় শেংনা শেম্বীবা মপুদা থৌনিরক্লি।

### ইলেক্সন কোর কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস): সেকমাই এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা ভোট থাদবা য়াবগী হক্তি লৈরগা ভোট লেপ্পা য়াদবা জেনরেলশিংনা খুন্দারিবা ভোটরশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা ইলেক্সন কোর কম্মিটি শেমদুনা লাক্কদৌরিবা ১২শুবা জেনরেল ইলেক্সন ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা হৈখাম দিঙ্গোদা শৌগৎপা হায়না ৱারেপ্ন দুনা ইলেক্সনদা ৱর্ক তৌনবগীদমক্তা এক্টিভ মেম্বর ৫০ তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংশিংদগী খনগৎখ্রে।

এদভাইজরি বোর্দকীদমক হুয়াম পিয়োব্রত, লামাবম কুল্ল, কৈশাম সোহদেব, মিনাবিসতা কংলাতোংবী অমদি মাইস্নাম মনিকচান্দ সিংহবুসু থৌপুনবা খনখি। মীফমসিদা এম এল এ দিঙ্গো মশামক্লা কূপ্না তারবা মতুংদা মীয়ামগী অপাম্বা শোয়দনা পীগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

সেকমাই এ সীদা সেদ্যুল্ড কাষ্ট (কাষ্ট)কী রিজর্ভ ওইনা চহী ৫০ হেন্না লৈরকপদগী ঙসি ফাওবা লৈঙাক্কী হায় স্কুল থাক ফাওবা থম্বীদবনা এদ্যুকেসনগী লম্‌দসু হায়নিংঙাই লৈতনা শোত্থরি। সেদ্যুল্ড কাষ্টকী মনুং চন্না লৈরগসু সেদ্যুল্ড কাষ্টতা পীরিবা চাকথুংসু ফংদবনা শেন্মীৎলোনদসু হায়নিংঙাই লৈতনা শোত্থরি। এ সী অসিদা ফুরুপ অহুম লৈ- মৈতৈ, নেপালি অমদি সেদ্যুল্ড কাষ্টকী ফুরুপ্প। হায়রিবা ফুরুপ অহুম অসিদা মৈতৈগী ফুরুপ্না খ্বাইদগী হেন্না শোত্থরি। করিগুম্বা কেন্দিদেট ওইনা ভোট লেপ্পা তারবসু জিল্লা পরিষদ নত্তনা লৈতে, কংলাতোংবীদা লৈরিবা নেপালিশিংগী ওইনদি প্রধাণনা খ্বাইদগী চাওনা কেন্দিদেট ওইরি হায়না মীফম অদুদা য়াওখিবা কম্মিটিগী এদভাইজরগী থৌসু পুরিবা হুয়াম প্রিয়োব্রতনা এম এল এগী পূক্নিং চিংশিনখি।

### শেল অমদি অচা-অথকশিং তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস): লমদমসিগী কা-হেন্না অৱা-অনা নংলবা অমদি খুদক্কী ওইবা থৌদোক্লা মরম ওইরগা নুংশিজরবা ইমুংগী মীওইশিং লৈখিদ্রবা ইমুং কয়াদা লেপ্তুনা মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোন্দা লিংখৎখিবা লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি), মণিপুরগী এক্টিভ মেম্বর কুম্বী ৱার্দ নম্বর-৬তা লৈবা ইনাওবা নোংমাইথেমনা হৌজিক হৌজিক ইমুংগী মীওই পূম্নমক্কা লোয়ননা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী অৱাফমদা তারিবা কয়াদা গ্রুপ অসিগী থৌমীশিংনা লন্নাই ওইনা খায়গৎনবা শেল অমদি নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা অচা অথকশিং ঙসি তেংবাঙখ্রে হায়না গ্রুপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

এল এম জি মণিপুরগী এদভাইজর সোবিতা, সেক্রেটরি ওজিৎ, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি রানিবালা, ইগজেক্যুটিভ মেম্বর রোসন, মেম্বর ভাজানি অমদি সঙ্গিতানচিংবা মেম্বরশিংনা কুম্বীদা লৈবা ইনাওবগী য়ূমদা চত্তুনা শেল অমদি অচা-অথকশিং অসি তেংবাঙখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, এল এম জি হেক লিংখৎলকপদগীনা হৌজিক ফাওবদা লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা অৱাফমদা তারবা মীওই শিংদা ১৭ লক শেল অমদি অচা-অথকশিং তেংবাংখ্রে। অসিগুম্বা তেংবাঙ থৌরমশিং অসিগী মনুংদা ১৪রক ইনাওবা মশামক হকথেংননা শরুক য়াখি। মহাক অৱা অনা, তোল্ল-তারবশিংগীদমক চাওনা মতেং পাংখিবা এল এম জিগী এক্টিভ মেম্বরনি। মহাক অমদি মহাক্কী ইমুং মনুং হৌজিক হৌজিক অৱাফমদা তারকপা অসিবু কোক্লবা শেম্বীবা মপুদসু থৌনিজখি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।